# “কুকি-জৌগী মীকপ খূৎথোক-!”

- এল ইবোমচা -

টেররিষ্ট হায়বা ইংলিস লোলগী ৱাহৈ অসিগী ৱাহন (অর্থ) সি মালেমগী মীয়াম্না খঙনবদি মী মরক্তা লৈমিন্নরগা মীগী অফবা থবক অমত্তা তৌগে খন্দবা হায়বদি মীগী ময়ূম-মকৈ মৈ থাবা, হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন তৌবা, অফবা অচুম্বা ৱাখল খনবা হৈতবা, ইশম শম্না শাগী লমচৎ-শাজৎ চৎপা মীওইবগী মরক্তা লৈমিন্নবদা শুকয়া য়াররোইদবা মীওই কাঙলূপ অদুবু খঙনৈ। অদু ওইরবদি মণিপুরদা শৈদাংলরিবা কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা অফবা মখলগী নোংমৈ, বোম, টোপ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারক্তুনা অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া নংহল্লিবা, য়ূম-কৈ, লাইশঙ, কম্যুনিটি হোল কয়া মৈ তুম্না থাদোক্লিবা অমদি হায়ৰেদা থোরক্লগা অরাকপা মীওইশিংদগী কিহন-খংহন্দুনা সনা-লুপা, শেল মুনবা অসিগুম্বা হিংশাগী থবক তৌরিবা কুকিশিং অসি টেররিষ্টনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

অদুবু দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিট শাহনা মে ৩, ২০২৪দা হায়খিবা ৱারোল অমদা মণিপুরদা লান কন্না চথরিবা কুকিশিংগী থৌওংসিবু টেররিজমগী থবক নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা মসিমুক ঙকপা অনী শুদে। মদুসু চুম্না অসুম হায়খিবা ৱা নত্তে, মমিৎ মনা শংদোক্লদুনা খুদোম্বী শীংলদুনা হায়খিবা ৱানি। কুকিশিংবু মথৌনা হাপ্পগী ৱাঙাঙ-শঙাঙনি। মীতৈশিংবুনা অরানবা তাহন্দুনা মপাঙ্গল মথৌনা মরৌশিং হন্থনবা থৌওইনা ঙাঙবা ৱাঙাঙ-শঙাঙনি। খুদোম্বী অদু অতৈ কনাদসু শীংবা নত্তে, মীতৈশিংদনি। মীতৈশিংদি খুদোম্বীবু য়াম্না কি-হঙ্গৈাই, মরম অদুনা ৱা অমা ঙাঙবদা খুদোম্বী শীংনদে। উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিংনা মপান পোল্লকপা-শাৎলকপা অমদি মহৈ য়াল্লকপদা খুদোম্বীনা থিন্দে।

তৌবদি মীওইবগী চহী হায়বসি য়াম্না লুবজাৎনি। হায়বদি পোকপা নোংমা খক হানখিবা মীদুনা জ্ঞান-লৌশিং লৈবা হেল্লি হায়নরিবনি। য়েংবদা য়াম্না অহল মানবা, চহী নৌরিবা নুপা অমদা অসুক য়াম্না চাউখ্রবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমগী হোম মিনিষ্টর ওইহনবা হায়বসি ফনা য়াম্না লাইরিক লাইশু হৈদুনসু মতিক চাফাৎতে হায়নীংই। অসুক পাক চাওখ্রবা ইন্দিয়াবু কাচিন-কোয়া শিন থুংনা চহী নৌরিবা মীশক অমনা করম্না উবা ঙমগনি। হায়বদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি খঞ্জবা ঙমদবদগী কাতু-কারন ঙাঙ-শকপা ঙল্লিবনি। নৎলমদ্রবদি নহান্না লম হেনবা মীরম মচা কুকিশিং অসি মতিক চাবা অহকপা চৈরাক ফংহল্লস্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু অদু মঙাই, ইন্দিয়াগী পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুরদা আইন কায়না চঙশিল্লক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্ননা অকনবা মওংদা লান্দাশিন্দুনা লৈবদা কুম্নেগুম্না য়েংদুনা লৈশিনবা ঙম্মী। মপান লমদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স, জে নেভাদা পাঙথোকপা কনভেন্সনদদি মালেম অসিদা লৈরিবা টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূখৎতুনা লংথোকখিনবা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নসি হায়না তৎতনা লাউদুনা লৈ। অদুগা শোমদনা কুকি টেররিষ্টশিংবু ফোংনা শৌগৎতুনা য়োকখৎতুনা থল্লি। অদুনদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি মচিন্দনা অমা, মখূৎনা অমা তৌবা মালেমগী মনুংদা টেররিষ্ট শৌগৎপা নম্বর ৱাননি হায়না লৌবা য়াই।

ইন্দিয়াগী পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা লান্দারকপদগী অসুক কন্না মৈ চাল্লিবা অসিদা করি কমদৌরগে হায়না নোংফাদোকসু হংলদবা হায়বসি মশা টেররিষ্ট শৌগৎপা ওইবনা লান অসিগী মরূমদা মশাগী ওইজবা অমা লৈরমগদবসু মাল্লক্লি। মরমদি ঙানপ্লা ঈশিং মনুংদা মথী ফাইবা ফাওবা উরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হন্দক্কী লান অসি করম্না হৌরকখিবনো, করি মরমদগীনো, কনানা লাল্লি, কনানা চুম্মী হায়বা শিৎ নান্না খঙলিবনি। খঙশিন্নদা, উশিন্নদা ওইজবা অমগীদমক তূমিন্না লৈশিনবা মাল্লি।

মে ৩, ২০২৪, ইরাই নুমিৎ অসি কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা লান তাশিনখিবগী চহী অমা চপ চানা মপূং ফাখিবগী কুমওন থৌরম (ফিরোই) পাক্লা শন্না পাঙথোক্লখ্রে। অদুবু লান হৌখিবা মে ৩, ২০২৩না য়ূমশকৈশা নুমিৎতা তাখি অদুগা চহী অমা চপ চানা মপূং ফাবা লান মে ৩, ২০২৪না ইরাই নুমিৎ তাখি। নুমিৎ অসিবু মীতৈশিংনা অমম্বা নুমিৎ (দার্ক দে) হায়না মণিপুর তম্পাক্কী মফম শিন্থুংবদা পাঙথোকই। নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা ইমুং খরদি অয়ূক্তা নৎত্রগা নুমিদাংদা চরা হেন্দুনা চরা নাম্মতা চাবসু য়াওনৈ। মফম খরদনা কুকি টেররিষ্টশিংগী লানগী কম্মান্দর ওইরিবা কুকি এম এল এ ১০গী মীতম শারগা মৈ থানখি।

নুমিৎ অসিগী ওইনা তোপ-তোপ্লা মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা অমখক হায়বা তারবদি লান অসি চহী অমা চপ চানা মপূং ফাবা কুমওন থৌরম মে ৩, ২০২৪ ইরাই নুমিত্তা নুপী তরেৎনা লু কোল্লগা সেকমাইদগী কংলা ফাওবা সাইকল থৌরদুনা পিছ রেল্লি অমা লাকখিবা অদুনি। লাইরেম্বীগী শক্তম লৌরগা লাকখিবা নুপী তরেৎ অদুদি মোইরাংথেম ইবেনৌ এলিয়জ ইন্দুমালা (৫৫), চীংথাম সোবিতা (৪৫), মহারাবম শান্তি (৫২), খ্বাইরাকপম সুবিতা (৪৬), খ্বাইরাকপম প্রেমলতা (৪৬), খ্বাইরাকপম ইনাওবী (৫০), থোইদিংজম ননাও (৪২) অসিনি। খোঙজংলোই তরেৎমক অসি অৱাং সেকমাই মমাঙ লৈকায় অমদি থাঙ্গা লৈকায়দগী ঙাক্তনি হায়রি।

মখোয় খোঙজংলোই তরেৎ অসিবু শৌগৎপা মীওই অমদি লূপ কয়াগী থৌমী কয়ানা মতুং ইন্নদুনা লোয়নরকখি। অদুগা অয়ূক্কী পুং ৯ খরা হেল্লকপগী অদুৱাইদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোংদা থুংলখি। লাইরেম্বীগী শক্তম লৌদুনা মশানা য়ানা মরূ কোকহন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবী নুপী তরেৎ অসি হিংশা য়াওনা চথরক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা অহিংশাগী খোঙচৎনি। অচুম্বগী পাউজেল পুবনি, মরাল লৈতনা শিখ্রবশিং অদুগী থৱায়শিংগী খোঙচৎনি। তাইবঙ শেবাৎনরবা নহা ইওই ওইনা মমিৎ অনীমক তাংলবা, মনা অনীমকসু পঙলবা লৈঙাক্তা মশা খঙনবা নোমদুনা হৌদোকপনি।

চপ মান্ননা মে ৩, ২০২৪, ইরাই নুমিৎ কুকিশিংগীনা (কুকি-জৌ এৰেক্লিং দে) হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লখি। এৰেক্লিং দে হায়রিবসি ইংলিসকী ৱাহৈনি। ঐখোয়গী লোলদা ৱাহন (অর্থ) হনবা তারবদি মীকপ থোকপা নুমিৎ হায়না হনবা তারে। মীকপ থোকপা হায়বসি মখোয় মশাগী হক মৎপীবা, লাকথুবা, নমথদুনা থম্বীরবা, মশাগী মরমদম মুনবীরবা ফূরুপ অমনা মশাগী মতুংগী পূন্সিগী মরমদা খঙজরক্তুনা মদুগী লাম্থেংনরকপা অমদি লাম্থেংননবগী ৱাখল পোল্লকপা অদুবু (এৰেক্লিং) মীকপ থোকপা হায়না লৌনগদবনি। অদুবু কুকিশিংগী (এৰেক্লিং) মীকপ থোকপা অসিদি মদু নত্তে। মখোয়গী (এৰেক্লিং) মীকপ থোকপা খূৎ থোকসি করম্বা মখলগী খূৎথোক্লো খঙদে, খূৎথোক ফজদে, তুক্কৎচৈ। ইকায়বা খঙদবা মমায়-ময়াশিংদুদা হন্না-হন্না তিল্লাং শিৎচিন্নীংবা ফাওই। তৌবদি হায়নবা লৈ তৌবীমল খঙদবা মীগা লোয়নরুগনু, অফবা ৱাখল খন্দবনি, মমি ফাওবা নেৎকে খল্লুগনু, মনাক্তা নক্লা চঙলুগনু, মদুনা নঙবু য়োৎচাবীনা য়োৎ চিংশিনবগুম চিংশিল্লগা ফত্তবা মফমদা লংথখিগনি, হন্থবা থাক্তা কুমথহল্লক্কনি। মসিমক মীতৈশিংদা চপ চানা চুম্না থোক্লরে। হায়বদি মখোয়বু চঙজফম মফম পীবীদুনা নুংঙাইনা লৈহল্লিবা মীতৈশিংবু মূখৎনবা অরোনবা থৌরাং খরা লৌখৎলকপা ওইনা মীতৈশিংগী লম, লন-থুম, লোল ময়েক অমদি মীতৈগী ইনাক খুল্লবা আর্ট এন্দ কলচর অদুক্কী মতিক কল্লকপদগী পূম্নমক অসি মখোয়গী ওইনবা হোৎনবদা শেমজিন-শাজিনবা হিষ্ট্রি লাইরিক কয়ামুক ফোঙই। তৌবগীদি মখোয়সি মীতৈগীনিবু হায়রবদি কল্লক্তবা পোৎ অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। কয়ামুক য়াম্না কল্লকপগে হায়রবদা মীতৈশিংনা ফাইবা অমাংবা ফাওবা কল্লকই। কল্লকপা হেনমনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীতৈশিংগী লম, লন-থুম, লোল ময়েক অমদি ইনাক খুল্লবা আর্ট এন্দ কলচর পূম্নমকসি মুন্নবা হোৎনবগী চহী অমা চপ চানা শুখিবগী কুকিশিংনা মীকপ থোকপা নুমিৎ (কুকি-জৌ এৰেক্লিং দে) হায়না থৌরম পাঙথোকখ্রে। অসিগুম্বা কুকিশিংগী মীকপ থোকপা (এৰেক্লিং) ‘কুকি-জৌগী মীকপ থোকপা খূৎথোক-!” অসিনি মীতৈ মীয়াম্না তুকৎচরিবা অমদি করম্বা মখলগী মীকপ খূৎথোক্লো হংনীংলিবা! ●

# শৌগৎপীফম থোকই, শৌগৎপীগদবনি...

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম

মহৌশাগী মহৌশা অয়ূক্কী ৱার্কিংদা নুংতিগী ফম্বা খ্বাইরম্বন্দ বজারগী লৈঙাক্লা শেম্বা ফান অশাংবদুদা নহান ঐখোয় অহুম পাউচে পাদুনা ফম্মিন্নরিঙৈদা ‘চা য়ানরবরা?’ হায়বা খোঞ্জেল অমা তারকই। য়েংথোকখিবদা মৌ নহা অমনা মখূৎতা ফ্লাক্স অমগা প্লাষ্টিক বেগ অমগা পায়রগা লেপ্লম্বদু উরকই, চা য়োনবীনি। অনৌবদি নত্তে, অয়ূক অঙনবদা থাঙ্গাল বজার চঙফম, শামু মখোঙ, ওভর ব্রিদজ মখাদা মনা-মশিং, এঞ্জাং-নাপি য়োল্লিবা অদুদা অসিগুম্বা চা য়োনবী কয়া উখ্রে। ঐহাক্কী ওইনদি নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা য়ূমদগী ব্রেকফাষ্ট তৌরগা থোরকপনা থকপদি নোংমতা থক্লুদে। ঐনা খুমদ্রিঙৈদা ভাই তোম্বনা (অশেংবা মমিং নত্তে) ঐজ্ঞা চা থকসি হায়রগা নুপীদুদা ওনশিল্লগা ‘ইবেম্মা চা অহুম হৈরকউ’ হায়খি। ফম্মিন্নরিবা অতোপ্পা ইমান্নবা অদুনা মহাক্তি থক্লোই হায়বদগী অনীখক লৌহৌরে। নুপীদু চৎখ্রবা মতুংদা ইমান্নবা অদুনা ‘চা হাওতবনি, থকপা য়াদবনি’ হায়রকই। ভাই তোম্বনা চানা হাওদুনা কয়াম হাওনি হায়বগে, নুংশিদরা অসি ইচা, ইমৌগুম্বনি, নুংঙাই য়াইফবা ইমুংগী মীদি ওইরল্লোই, য়ূম পুবা ঙম্নবা হোৎনজরিবসি নুংশিদরা? হাওবা হাওতবা লৈবীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি, ঐখোয়গী ইমৌদি হৌগৎপা ফাওবা হৌগৎহৌদ্রি, হোরেন পুং ৭.৩০গী মণিপুরী পাউকা লোইরগা হৌগৎলক্কদৌরিবনি হায়রকই। ঐহাক্লা অয়ূক পুং ৪.৩০দা হৌগৎলগা ইরুমাইথজবা লোইরগা কাদগী কুমথরকপদা ইমৌনা ব্রেকফাষ্ট পীবদুমদি মৌ থাগৎপা তারনি খন্দুনা হায়রুদ্রে। ভাই তোম্বগী ৱাখল্লোন অদু য়ানীংই, অসিগুম্বা বজারদা চা য়োনবগী থবক অসি মমাঙঙৈদগী নন লোকলশিংনা তৌদুনা লাকপনি। অয়ূক্তা মখোয়গুম্বা খরা থোরল্লিবা অসি অফবা থৌওংনি, অওনবা অমা লাল্লিবনি, মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি, শৌগৎপীফম থোকই।

ঐখোয়গী ষ্টেট কেপিটেলদা লৈরিবা খ্বাইরম্বন্দ বজার লমদম অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা, মী য়াম্না চিনবা বজার অমা ওইরি। ৱারেংজরিবা ঐ ইশামক্লা ইকোনোমিক্স অমা ওইরুদবনা মার্কেটকী মপূং ফাবা দিফিনিসন খঙদে অদুবু অখঙ অহৈশিংনা হায়বা তারুবদগী শল্লপ্লা ‘মার্কেট ইজ দ মীটিং প্লেস ওফ বায়র এন্দ সেল্লর’ নি হায়বা অসিমদি খঙই। মরম অদুনা মার্কেটতা লাক্লিবা মীওইশিং অসি পোৎ য়োনবা মী (সেল্লর) অমসুং পোৎ লৈবা মী (বায়র) নি। মসি নত্তবা পোৎ-চৈ থাংদোক-থাংজিন তৌবা অমদি দুকান্দা থবক তৌবা মীওই কাঙলূপ অমসু লৈরি, মখোয় অসিসু পাঙ্গল অমসুং মতম পুথোক্লগা শেল তানবনা মখোয়সু সেল্লরগী কাঙলূপ্তা চলহল্লসি। নুংতিগী বজারদা তিল্লিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা সেল্লরদগীদি বায়রনা মশীং হেল্লি হায়বসিমসু পূম্নমক্লা য়ানীংগনি। অমরোমদা, পোৎ লৈবা হায়বসিনা অরেম্বমক নৎত্রবসু শেল পীথোকপনি (খরচ তৌবা) অদুগা সেল্লরনা শেল লৌশিনবা (শেল তানবা) নি। পীথোকপদগী লৌশিনবনা কান্নফম থোকই, লাকচনীংলিবদি কনানা পীথোক্লিবনো, লৌশিল্লিবসিনা কনা কনানো হায়বদুনি।

মমাঙঙৈদগী হৌনা ইম্ফাল বজারদা লৈবা দুকানশিং অয়াম্বনা ঐখোয়না ময়াং-ময়াং হায়নবা নন লোকলশিংগীনি। মচা-মচাদগী হৌরগা অচৌ-অচৌবা এজেন্সী খুদিংমক মখোয়গী মখূৎতা লৈ। চোইনা য়োনবা, রিটেল শোপশিংসু অয়াম্বনা মখোয়গীনি। ফি য়োনবা, অচা-অথক য়োনবা, গাড়ীগী পার্ট য়োনবা, চুরুট-বিড়ি, খোঙউপ, হার্দৱেয়র, ফার্মাসি, চা অমদি অথুম-অহাও য়োনবা হোটেল ফাওবা অয়াম্বনা মখোয়গীনি। মতম অদুদা মখোয়গী ওইদবা মীতৈনা মপূ ওইবা বিজিনেস হায়বা তারবদি সিনেমা হোল খক্তনি, মদুসু মীতৈনা মপূ ওইজে হায়বগী ৱানি কন্ট্রোলদি গুৱাহাটিদগী নন মণিপুরীশিংনা তৌবনি। মদুগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু মতম অদুদা মশীং য়াম্না লিক্লা পুথোক্লম্বা মণিপুরী ফিল্ম ইম্ফালদা রিলিজ তৌনবা হোৎনবদা গুৱাহাটিগী অয়াবা য়াওদ্রবদি হোল মপূনা তারিখ লেপ্পা ঙমদে। ঐখোয়গী ওইনা লৈজরম্বা করবার অদুসু অয়াম্বনা সিনেমা উৎখিদ্রে। খ্বাইরম্বন্দ বজারদা হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী ওইরিবা হায়রগদি ইমা কৈথেল অহুমসিখক্তা ঙাইরে, মসিসু অকোয়বদা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা নোংম-নোংমগী চাশিল্লকপনা খুলামখাং কৌরক্তবা নুমিৎফাওবা য়াওরে হায়নরক্লে।

থাঙ্গাল বজার, পাওনা বজার, ধর্ম্মশলা, এম জি এভেন্যু, বি টি রোদ, মসজিদ রোদ নন লোকলশিংনা কেপচর তৌখ্রে। নুপা কৈথেল মমিং মূৎখ্রে, বেঙ্গৌলিনা খুদুম চনখ্রে। মীতৈগী হায়ববু ৱাহৈংবম লৈকায় পার্কিংদা ক্বা অমদি চা য়োনবা খরা জিরি পার্কিংলোমদা বেকরি প্রদক্ত অমদি লা য়োনবা খরগা উ য়োনবা খরা নত্তনা মীতৈগী দুকান লৈত্রে। চীংদসু অদু মঙাই সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরম্বা দুকান নেপাল্লিগী ওইরম্মী, কাংপোকপীগী অৱাংবা মফমদা ষণ, ইরোই খরা লৈরম্লবসু মপূদি নেপাল্লিগী হেক্তা ওইরমগনি। মোরেগী প্রেমনগর অমদি নম্ফাংলোংগী অচৌ অচৌবা দুকানগী মপূ টামিলশিংগী ওইরম্মী। নন লোকলনা য়ৌদবা মফম লৈতে। শূ-নোম্বদসু অদু মঙাই, নন লোকলশিংনা পায়দবা করি শিনফম্থ লৈরিবগে? পোৎ চৈ থাংবা, বরব (আইস ক্রিম) য়োনবা, চুহিং শুম্বা, য়োৎতেক-থাংতেক খোম্বদগী হৌরগা চেক্কী মিষ্ট্রি, টাইল থাবা, পেন্টিং, পাইপ ফিট তৌবা (প্লম্বর) নচিংবা থবক পূম্নমক মমাঙথক্তগী মখোয়না তৌদুনা লাকপনা ঙসিসু মখোয়না অদুম তৌরি। খুল্লক্তা ফম্বা দুকানশিংদা সাইকলদা পোৎ পুরগা য়োল্লম্বা মখোয়না ঙসিদি সাইকলগী মহুৎ মোপেদনা শিন্দুনা বিজিনেস অপগ্রেদ তৌখ্রে। থিংলিবরা-থিংদবরা অশেংবা খঙদ্রবা তলব, খৈনি, জর্দা, মীথা মনা অমদি শুপারিগী করবার মখোয়গী মখূৎতগী কনানা মুল্লুবা ঙমগনি? মীথা মনা পোলাং অমগা লম্বীগী মতাইদা ফম্লম্বা নন লোকলশিং মতম খরগী মতুংদা অচৌবা দুকান অমগী মপূ ওইরকপা অনৌবা ৱাফম অমা ওইদ্রে। মখোয়না খূৎ থিংজিল্লক্তবা মীতৈগী শিনফম ওইদুনা লাকপা হায়রগদি টেলরিং (ফি তুবা), সাইকল শেম্বা অমদি রিক্সো থৌবনি, মদুসু তপ্পা তপ্পা মূৎখ্রে। ঙসি ঐখোয়গীনি হায়বা করি শিনফম লৈরিবগে?

লৈঙাক্কী থবক্তদি মখোয়না খূৎ থিংজিল্লক্ত্রি, ঐখোয় য়েলহৌমীশিংগী ওইরি। অদুবু মীপূম খুদিংমক থবক পীবা ঙমগদ্রা? ওইথোক্তে, লাইরিক তমদবা সর্টিফিকেট পায়দবা নহা লৈত্রে। লাইরিক তম্লিবা খুদিংমক্লা থবক লৈবা ঙম্বগী কেপাসিতি লৈরবরা? লৈঙাক্লসু মীপূম খুদিংমক থবক পীবা ঙল্লোই হায়না কয়ারক ফোঙদোকখ্রে। থেংলবসু থেংনা ঙসিদি ঐখোয়গী নহাশিংগী ৱাখলদা অওনবা অমা লাকপগী মমি তারক্লে। রিক্সোগী মতম লোইখ্রবসু ওটো থৌবা, টেক্সি সর্ভিস তৌবা মীগী মশীং হেনগৎলক্লে। ফ্লাক্স পায়রগা চা য়োনবা, য়োনবী, চুহিং শুম্বা, আইস ক্রিম য়োনবা, কেন্দি য়োনবা, লম্বীদা পোৎ য়োনবা হোক্কর কয়া থোরক্লে, নন লোকলদগী ঐখোয়না মুনবগী মমি তারক্লে। লম্বীদা অথোংবা চীঞ্জাক (কুক ফূদ) য়োনবা, জুইস য়োনবা কয়া থোরকপগা লোয়ননা খোঙউপ শেম্বা, শম ককপা মীতৈ মচা কয়া থোরক্লে। মীতোপ্পা তৌরম্বা থবকশিং ঐখোয়না তৌরবদি মখোয়গী শেম্থোক হন্থবতা নত্তনা মপান্দা চৎলরোই। শেম্থোক লৈত্রবদি মীতোপ চঙলকপগী চাং হন্থরক্কনি, মমাঙদগী লৈরক্লবা মীওইশিংসু থবক শূফম-নোম্ফম লৈরক্ত্রবদি মখা তানা লৈথনীংলরোই, ঐখোয়না তাল্লুদ্রবসু চৎখিবা তাবনি। অদুনা মশানা মশাবু থবক পীজরিবা, চিলহাও থিদনা অফং-অফংবা শূরিবা, মীতোপ্লা পায়রম্বা থবক কয়া মখোয়দগী মুল্লিবা ঐখোয়গী নহাশিংবু লৈঙাক্লা, মীয়াম্না মরু ওইনা বায়রশিংনা অমদি কঞ্জুমরশিংনা শৌগৎপীফম থোকই। মখোয়বু শৌগৎপীরবদি ঐখোয়গী উতোং অহোবদা ঈশিং হৈথবগুম ইহো হোরিবা, তুংউ য়াদ্রিবা খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোন অসিসু খরদং ওইরবসু ফগৎহনবা ঙমগনি। ●

# পাঞ্জিগী শিনফমদা ডা. ৱাংখেম জিবোল

**(পাঞ্জি ওইবা অরাইবা নত্তে, শীনফমসিদা চঙলুরবা মতুংদৈ জন্মা কুঠি য়েংলগা মপোক ফবা, অচঙবা মীওইপোক ওইনবা পুজা তৌদুনা শেম্বীবা ঙম্বা পাঞ্জি ওইগদৌবনি)**

- সৌবাম বিরধ্বজ -

হৌখিবা চৈচৎ ২০০০গী অঙনবা শরুক্তা ওক্রম ইবোবী মশামক্লা মহাক্কী কুঠি য়েংননবা ভেস্পা অমনবা অমা তোংলদুনা থৌবালদগী ইম্ফাল তম্না কারকখি। চীংমৈরোংদা লৈবা ডা. ৱাংখেম জিবোল, পাঞ্জিগী ময়ূমদা কুঠি য়েংবা লাকখি (পাউথাং ওইনা তাজবনি) ওক্রম ইবোবীগী জন্ম কুঠি য়েংলুবদা অসুম্না ফাওরকখি, তাদা নহাক থাজদবা তৌগনু, নোংমদি শোয়দনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইগনি। তাদগী মঙ্গল গ্রহ অসি লাল্লিবা চৈচৎ ২০০২দগী অঙকপা ফংনা ফিরাল মমায় চুম্লগনি। প্রতিকার অমত্তং তৌথোক্লবদি/খুরুমথোক্লবদি অঙকপা ফংনা ৱাংলক্কনি, মদুদগীদি তাদবু নমথবীনবা মী লৈররোই, থাজদবা তৌবীগনু অমুক্তা পুজা তৌথোকপীয়ু হায়রকখি। জিবোলগী মতৌদুদা ইবোবীনা খুমখি, অঙাওবসিনা ঙাঙলিবসিবু করিনো? ঐবু ভোট লেপ্পদা কাগদ্রা অমুক্তা কুপথনা য়েংঙুনে, চোইত্রং-পাত্রং লোনগনুনে, মীনা তারগা নোক্লখিনিনে হায়না করিমত্তা থৌশাদনা খুমখি। সনি পুজা অমত্তং লাল্লিবা থাংজ নুমিত্তা তাদগী য়ূমদা তৌরসি, ননাও লাকচগে, অদুদগী তাদগী সনিগী গ্রহ দশাসু য়াম্না শাংনা ফরগনি হায়না তাকপীখি। খঙহৌদনা চৈচৎ ২০০২গী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা লুচিংবশিং পূম্নমক মায়থীহৌদুনা ওক্রম ইবোবীনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। ওক্রম ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লুবা মতমদুদগী ডা. ৱাংখেম জিবোলবু মহাক্কী খ্বাইদগী থাজবা পাঞ্জি ওইনা লোয়নরকখি। অসুম্না ওক্রম ইবোবীগী লাইফাও চুমখিবদগী অমুক্লা নৌহৌননা ডা. ৱাংখেম জিবোলগী মীংচৎ অসি নোংম-নোংমগী খঙনরকখি। হৌজিক্তি পাঞ্জি অসি মণিপুরগী শিংথাননা মমিং শেগাক কায়না চৎলবা পাঞ্জি নম্বর ৱান ওইনা খঙনরে।

পাঞ্জি ডা. ৱাংখেম জিবোল নোংমদা চাউরাক্লা কুঠি ৭/৮দগী হেন্না য়েংদে। কম্প্যুটর শীজিন্নদুনা মীওই অমগী জন্ম কুঠি অদুবু হেক্তা য়াম্না কুপথনা মচেৎ-মচেৎ শিংকুপ শানা, মচেৎ-মকাই তানা কুপথনা মন্দুনা, শেৎতুনা কাখল খুদিং অঙ্কগী ফল পুথোক্লগা তারকপা ফল অদুদা য়ূম্ফম ওইজবনি। কুঠি অমদা চাংচত্তা পুং ১ চঙনা য়েংই, মীদুগী গ্রহপতি য়েংলুবদা তারকপা অঙ্কগী ফলদা মহাক্লা চান্নগদৌবা নুঙ গ্রহ ৯গী মনুংদগী মাগী চান্নবদু শিবীগদৌবনি অমসুং গ্রহগী তুংইন্না প্রতিকার তৌবীগদৌবনি। মহৈ-মশীন তন্নিঙৈ মতম ক্লাস টেন থারমদাইদগী হৌরগা মথং-মথং ডাক্তর/ইঞ্জিনিয়র, বি এ, এম এ অমসুং অৱাংবা থাক্তা পরিক্ষা থারিবা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা মমা-মপাশিংনা জন্ম কুঠি য়েংনরিবনি। পোকপা নুমিৎকী মতুংইন্না প্রতিকার তৌবগী নুমিৎ লেপকনি। মীদুগী থাগদৌবা পরিক্ষাগী মতম ৱাংলিঙৈ মাঙজৌননা প্রতিকার তৌবীরবদি পরিক্ষা অদুমক মায় পাক্কদৌরিবনি। মপোক নুমিৎতা নৎত্রগা হেন্না চান্নগদৌবা নুমিৎ, মতম পীগদৌরিবনি অমসুং খুরুমগদৌরিবনি। লোয়ননা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুগী কুঠিদা পীরিবা কর্ম্ম য়ুগকী ফল পুথোক্লগা চাওরাকপা থবান অনী/অহুম থোক্লা পীদুনা কর্ম্মগী মতম লেপকদৌবনি। হৌজিক মতমদদি মহৈ-মশীন তম্নরিঙৈদা খঙন-চান্নবা থম্নহৌদদুনা চান্নবা বর-কৈন্য ফংনদবা য়াম্না লৈনরিবনি। পূম্নমক অদু পাঞ্জিনা মীশক অদুগী জন্ম কুঠিগী অঙ্কগী মতুংইন্না চান্নবা বর/কৈন্য, শিনফম, থবান মতম পূম্নমক কুপ্পা য়েংলগা পীগদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমদদি মমা-মপানা মচাগীদমক হোৎনরিবসি অঙকপনি, চান্নবা/থাজবা পাঞ্জিদা প্রতিকার তৌহল্লগা পূম্নমক অফবা ওইগদৌরিবনি, থাজবগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

ডা. ৱাংখেম জিবোলবু থাজবা থম্বীরবদি মঙোন্দা য়েংলুবদা তারকপা অঙ্কগী ফলদা প্রতিকার তৌবিরবদি পূন্সি লৈপুন্নখিবা, মচা ধারা অফবা ফংখিবা কোঙ্গাই অমনি। ডা. জিবোলগী কুঠি খূৎয়েংসিদি পূক্লিং কয়ামরুম্বু মীকুপ্তা পেলহন্দুনা পূক্লিংবু মঙাল ফংহন্দুনা ইচাগী য়াইফবা ওইহন্দুনা পোকচবা মমা-মপাগী পূক্লিং নুংঙাইহন্নবগী মীকপ ওইহনবীরিবনি। মচানুপা/নুপী পোক্লিবা পূম্নমক্লা ডা. জিবোলগী লাইফাওদা পূক্লিং পেল্লবদি মনাক্তা লাক্লিংবা/চৎনীংবা/য়েংনীংবা অমসুং অফবা ওইননবা প্রতিকার তৌবা তাবনি। প্রতিকার মতুংদা মহয় ফংলো, মহয় ফংজরগে-ফংজরগে লেম্নমক অফবা ওইমিন্নরসি হায়না পূম্নমক্কী মফমদা পাউজেল পীজরি।

লাংবন ঈখোম্বা মতমদা ঈশিৎপা চৎলিবা মীওই অমনা লৌবুক্কী খোংলম অমদা ঙানা প্রিক-প্রিক শৌবদু উরগা ঈশিং মনুংদা ফন চোংথদুনা হেক্তা অফংবা খরা ফাগদৌবা নত্তে, খোংলমদু পল হান্না থিংদুনা ঈশিং শিত্তোক্লগা পূম্নমক তেংনা/শিৎ নান্না ঙাশিংদু ফাদোক্কদৌবা নৎত্রা? ঈশিৎপা চৎলগবু করিগী তহারিবনো! হো ঈশিৎপা ঙানা মোংবা উরগা পূক্লিং তথক্কনু, লৈরম্লিবা ঙা পূম্নমক নঙগী শোয়দনা ওইরগদৌবনি, পূক্লিং তপথনা হান্না থিংলগা ঈশিৎলবদি পূম্নমক নঙগী ওইগদৌবনি, লাংবন ঈখোম্বগী লেমলৈ ঙানি কাউফদে।

তাইবঙপানবদা লৈরিবা মমা-মপা ওইবা পূম্নমক্লা মচাগীদমক পূম্নমক পাঙথোকপা ঙম্মী। মচাশিং চাউননবা য়োক্লি, মহৈ-মশীন তমহল্লি, তাইবঙপানবগী হৌনবী, চৎন-লোনচৎ তাকপী-তম্বীরিবা ঙাক্তনি। মপূং ফারক্লবা মচানুপী/নুপা ওইবশিংবু ময়ূম-মকৈ পানবা মতম ফাওবদি য়েংশিনফম থোকপনি। মহৈ-মশীন মপূং ফানা তন্নিঙৈ মতমদদি ময়ূম পানবগী থোইদোক্লা খন্নদে, মরু ওইনা মচা নিঙোল পোক্লিবা/পোক্লিবীনা মনুং মতম চারক্লবা মতমদদি পূক্লিং ৱাদবা ঙমদে। মরমদি নিঙোল ওইবীশিংদি মচা ধারা শন্দোক্লম্বা হায়বসি তঙাইফদবা তাইবঙগী চৎন-পথাপনি। নুপাগীদি অকায়বা লৈতে, নুপীদি অঙাং পোক্কদৌবনিনা য়াম্না থেংনা য়ূম পানবা ফত্তে হায়বসিনি। মতাংসিদনি জন্ম কুঠি য়েংনরক্লবসি, মাগী-মাগী খ্বাইদগী থাজবা মফম খন-খন্দুনা য়েংনরক্লিবসি। মীপূম খুদিংমক অফবা ঙাক্তা ওইনীংই। ওক্রম ইবোবী (চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা) গী জন্ম কুঠি য়েংখিবগী ৱারীদা মাঙজৈননা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়না লাইফাও তৌখিবা অমসুং ওইথোরকখিবা হায়বসিবু পামদবা কনাবু লৈগদগে? পূম্নমক্লা পাম্নৈ/থাজনৈ, মসিনি থাজনবা হায়বসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণ হায়বসি। মরম অদুনা নোংমা শোয়দনা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়না লাইফাও তৌরম্লগা ওইথোকখিবা পাঞ্জি ডা. ৱাংখেম জিবোলবু করম্না থাজরোইদগে? পূক্লিংগী অপাম্বদু ফংননবা মঙোন্দা অমুক্তং চাং য়েংলুগে হায়বসিদি মশানা তাজরবা ৱাফম্নি। মরম অদুনা পাঞ্জি অসিবু পামজরুবনি, হেন্না থাজরুবনি হায়না থমজরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯০

১) **“সাহিত্যদা রস অমসুং অতৈ নৈন-ৱারেং খরা”** (২০০২) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **“অপাইবা লাইথি”** (২০১২) হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৩) **“মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?
৪) **“রোমারানী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু?
৫) **“মমহল্লবা অহিং”**হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগীনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।